**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-05-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হৌজিক ভারত অমসুং ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা শন্বল খাবগী থবকশিংগী মতাংদা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুদা বোর্ডর রোড টাস্ক ফোর্সকী ওফিসিএলশিংনা রাজ্যপালদা ঙমখৈ শন্বল খাবদা লেন্দ একুয়্জিসন, সেকুয়্রিতি অমসুং মেন পৱারগী মতাংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা তমখি।

মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি, সেকুয়্রিতি এদভাইজর, দি.জি.পি, পি.সি.সি.এফ, প্রিন্সিপল সেক্রেটরি এগ্রীকলচর, কম্মিস্নার হোম, সেক্রেটরি টু গভনর অমসুং অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি। ঙমখৈ পরিংদা শন্বল খারিবা রাজ্য অসিগী জিলা মঙাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংসু ঙসিগী মীফম অদুদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

**কোকোমি (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং চহি অনি ফারকপগা মরী লৈননা মনিপুর মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা হয়েং খুম্মন লম্পাক ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না শিনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদগী খঙ হৈরবা মীওইশিংনা ৱা ঙাংগনি। হয়েং নুমিদাংৱাইরম কংলা নোংপোক থোংদা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা কেন্দল থানদুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

অমরোমদা, মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং চহি অনি মপুং ফারকপগা মরী লৈননা থৌরম কয়া পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা সেকুয়্রিতিগী চেকশিন

থৌরাং লৌখৎলে। মফম কয়াদা পুলিস পেকেড হাংদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথ্খরি।

সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফ্লেগ মার্চ চৎখি।

**কেম্প (এল)ঃ** নুমিৎ নিনি চথ্খরকপা মেগা ফ্রি মেদিকেল হেলথ কেম্প ঙসি তমেংলোং জিলাগী তামৈ সব-দিভিজনগী কোনফুং খুলদা লোয়শিনখ্রে।

ওল জেলিয়াংরোং মেদিকোস য়ুনিয়ন, বেপটিস মেন সোসাইতি অমসুং লিয়াংমৈ বেপটিস চর্চ ইম্ফালনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবা কেম্প অদুদা ডাক্তর ৩০ না মীওই লিশিং অমা হেন্না লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকশিং পীখি।

ঙসি লোয়শিনখিবা কেম্প অদুদা মীওই ২০০ অলত্রা সাউন্দ তৌদুনা মাইনর সরজরিশিংসু পাঙথোকখি। হেলথ কেম্প অসিগা মরী লৈননা কোনফুং খুলগী ভিলেজ ওথোরিতি সেক্রেটরি-এন. সিলুবৌনা নাগালেন্দ অমসুং মনিপুরগী ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা খুল ১০ অসিদা সরকারনা অনা লায়েংগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবীনবা আপিল তৌরক্লি।

**বলারাম (এল)ঃ** জেনরেল বলারাম সৌগাইজম লৈখিদবগী ১৩৬ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মোইরাংখোমদা লৈবা সৌগাইজম লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

জেনরেল বলারাম সৌগাইজম্বা ফাউন্দেসননা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী রিটয়ার্দ প্রোফেসার-নাওরেম জয়কুমারনচিংবা শরুক য়াখি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** কংগ্রেসনা হায়রি-মনিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং চহি অনি ফাজিল্লক্লবা ফাওবা অসিদা রাস্ত্রপতি সাসন থম্লবসু ইরাং লোয়শিনদুনা কে

দ্র সরকারনা শান্তি হনজিলহনবা ঙমদ্রি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) গী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা হায়-চহি অনি ফাজিল্লক্লবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবা অসি লাইবক থিবনি। মহাকা হায়-কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা ঙসি ফাওবদা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপা উদ্রি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক মফম অমদগী মফম অমদা চৎথোক চৎশিন য়াদ্রি। ইরাং অসি লোয়শিনদুনা নুংশি চান্ননবা হোৎনবা সরকার অসিনা থবক পায়খৎপা উদ্রি।

শ্রী মেঘাচন্দ্রনা হায়-থোক্লিবা ইরাং অসি ভারতকী অতৈ মফমদা থোকপা উদ্রি। রাজ্য অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা আশা উরক্ত্রবা মতম অসিদা করম্বা মতমদা অনৌবা আশা লাক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা লৈরি।

**কম্মিসন (এল)ঃ** মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হাংদুনা লৈরিবা চেয়ারপার্সন অমদি মেম্বরশিং অথুবা মতমদা হাপচিনবীনবা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাদা ঙসি চেরোল অমদা পীশিনখ্রে।

সোসিএল এক্তিভিষ্ট অমসুং এদভোকেট-লৈশাংথেম লময়ানবা মীতৈনা রাজ্যপালদা পীশিনখিবা চেরোল অদু চীফ সেক্রেটরি অমসুং লো কম্মিস্নারদসু পীশিনখি। চেরোল অদুনা হায়-চেয়ারপার্সন হাপ্পা মতমদা পোলিটিকেল এপোইন্টমেন্ট তৌদনা খ্বাইদগী মতিক চাবা মীওইনা ওইহন্দুনা হ্যুমেন রাইটস বাইওলেসন্সকী চাং ৱাংবা লমদম অসিদা কম্মিসন অসি মপুং ফানা মথৌ তৌহনবীয়ু।

নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা চহিগী আগষ্ট ২৪ দগী হৌজিক ফাওবা হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং অসিনা মরম ওইরগা মীওইবগী হক মৎপীরবা কয়াগী ৱাকৎফম লৈহন্দদুনা অচৌবা খুদোংচাদবা মায়োকরি। হীরম অসিগী মতাংদা এদভোকেট-লময়ানবনা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন অথুবদা

হাপ্তুনা মথৌ তৌহনবীনবা রি-প্রজেন্টেসন অসি পীশিনখিবনি হায়রি।

**দ্রগ (এল)ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস-মনিপুরগী ষ্টেট দ্রগ লাইসেন্সিং এন্দ কন্ত্রোল্লিং ওথোরিতিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি-রাজ্য অসিদা হিদাক লাংথকশিংগী রিটেল অমসুং হোলসেল তৌরিবা মীওইশিংগী লাইসেন্সশিং মতম লোয়খ্রবা থা তরুক হেল্লবদি মখোয়গী লাইসেন্সশিং অদু দ্রগ এক্ট ১৯৪০ এন্দ রুলস ১৯৪৫ কী মতুং ইন্না ককথৎলগনি।

কনাগুম্বা লাইসেন্স ককথৎখ্রবা মীওইশিংনা মখোয়গী আপিল নুমিৎ তরানিগী মনুংদা দাইরেক্তোরেট অসিদা পীশিল্লক্কদবনি।

**নিট (এল)ঃ** নিট য়ু.জি. ২০২৫ গী পরিক্ষা মথং থাগী মরিদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পরিক্ষা সেন্তর ৪ দা পাঙথোক্লগনি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- পরিক্ষা নিয়ম চুমা অমদি অশোই অঙাম য়াওদনা পাঙথোকবগীদমক পরিক্ষা সেন্তরশিংগী অকোইবদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

**বোড(এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী ক্লাস টুয়েল্ব পরিক্ষাগী ওরিজনেল ষ্টেটমেন্ট ওফ মার্কস অমসুং ইমপ্রুবমেন্ট থানিংবা মহৈরোইশিংনা এপ্লিকেসন ফোর্ম থা অসিগী ৫ দগী ওফিস মতমদা লৌরবা য়ারগনি। অকুপ্পা মরোল কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসনদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**রোল (এল)ঃ** মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৮, তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল থা অসিগী ৫, নিংথৌকাবা নুমিৎতা লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী কনফরেন্স হোলদা

ফোংলগনি।

**রোড(এল)ঃ** লন্বীগী খুদোংথিবা হন্থনবা অমদি মসিগী থৌদোকশিংদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙবা হন্থনবগী পান্দমদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-লৌরেন্বম বিক্রম অমদি ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সকী চেয়ারমেন-ডা: ৱাহেংবম গুলাপিগী মীৎয়েং মখাদা নোংমগী ওইবা রোড সেফতি এৱারনেস কেম্পেইন অমা বিষ্ণুপুর বজারদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু, থাবুম অমা চুপা চথরিবা ৱার্ল্ড রেড ক্রোস ডে ওবজারভেসন ২০২৫ গা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিস বিষ্ণুপুর, সয়াতাব ফাউন্দেসন অমদি ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সনা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি।

**কেম্প(এল)ঃ** চহি অসিগী ইন্টরনেসনেল ডে ওফ যোগগা মরী লৈননা রিমস ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াত্রি অমসুং ৮৬ শুবা বটালিয়ান সি.আর.পি.এফকা পুন্না মেন্টেল ৱেলবিয়িং এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

লমফেলপাৎতা লৈবা ৮৬ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফকী হেদক্বাটরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমস হোস্পিতালগী সাইকিয়াত্রি দিপার্টমেন্টকী ইন-চার্জ, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট-ডা: মোনিকা নোংমৈকাপম অমসুং ডা: অনুরাধা মোইরাংথেমনা শরুক য়াখিবা পার্সোনেলশিংদা ঙসিগী মতম অসিদা ৱাখল ইংনা লৈনবগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা মীয়ামগা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা থৌরম ‘এ ডে ৱিট কম্পানি কম্মান্দর’ ঙসি চান্দেল জিলাগী মোলচাম খুলদা পাঙথোকখ্রে।

খেঙজোই সব-দিভিজনগী অনকপা খুলশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** চহি অসিগী কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব পরিক্ষাদা কাংপোকপী জিলাগী মার্ক ৱাংনা ফংলবা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তরামা ওকখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অন্ধ্র প্রদেসকী কোনুং অমরাবতি শেমগৎনবা থবক হৌনবা ঙসি উরেপ উয়ুং তমখ্রে। মহাকা লুপা কোতি লিশিং ৫৮ চংনা পায়খৎপা লন্বী অমসুং রেলৱে প্রোজেক্টশিংসু শঙ্গাখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-প্রোজেক্ট অসিনা ভিক্সিত ভারতকী মঙলান মঙফাওনহনবতা নত্তনা অন্ধ্র প্রদেসপু মপুং ফানা চাউখৎনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা ফিজিকেল, দিজিটেল অমসুং সোসিএল ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর থুনা চাউকৎপা লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারত অসিসু অমনি হায়রদুনা শ্রী মোদিনা হায়-মসিনা অন্ধ্র প্রদেসতা চাউনা খুদোংচাবা পীরি।

শ্রী মোদিনা হায়-কেন্দ্রদা পাল্লিবা এন.দি.এ. সরকারনা লৌমীশিং য়াইফনবগীদমক অহেনবা মীৎয়েং চংলি। হৌখিবা চহি তরা অসিদা কেন্দ্র সরকারনা লৌমীশিংদা অতাবা মমলদা হার অমসুং মতমগা চুন্নরবা মরু-মরাং পীনবা লুপা কোতি লাখ ১২ চাদিং তৌখি।

মসিগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রিনা কেরলাদা ভিজিনজম ইন্টরনেসনেল সি-পোর্ট মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। হিথাংফম অসি লুপা কোতি লিশিং ৮,৮০০ চংনা শেমগৎপনি। মসিনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা পোৎ-চৈ পুবা জহাসশিং লাকপদা

মতেং ওইরগনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারতনা লৈবাক অমদগী লৈবাক অমদা জহাজশিং চৎথোক চৎশিন তৌনবগীদমক মীরমগী হিথাংফমশিংদা তাংজবা অসি চাদা ৭৫ ওইরম্বা অদু হৌজিক্তি ভিজিনজম হিথাংফম লাকপদগী অওনবা অমা পুরক্লগনি। মহাকা হায়-শেন্মীৎলোনগী শক্তি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বসি কেন্দ্র সরকারগী তৌফদ্রবা থবকনি।

**ঈশিংঃ** কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি-সি.আর. পতিলনা হায়রি-কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুঙ্গংশিং নৎত্রগা লৌফমশিং ঈশিং ৱাৎতনবা হোৎনবগা লোয়ননা ভারতপু লাক্লিবা চহি মরি অসিদা ইকং থোক্তবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনরি।

মহারাস্ত্রগী আহিলা নগর জিলাগী রাহাতা তালুকাদা লৈবা অস্তাগাউদা অহানবা তাঙ্কক্কী গোদাবরি তুরেলগী লৌনম্বাল শেমগৎপা হৌবগী থবক হোদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক শিনবা থুংবদা ঈশিং রি-চার্জ তৌনবা ষ্ট্রকচর লাখ ১৩ হেন্না শেমগৎলে। থৌরাং অসিনা নোংগী ঈশিং য়োকশিনবা ঙমলে।

**ৱেবসঃ** মুম্বাইগী জিও ৱার্ল্ড কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড ওদিও ভিজ্য়েল এন্দ ইন্টরটেনমেন্ট সমিট (ৱেবস) কী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না মেদিয়া এন্দ ইন্টরটেনমেন্ট সেক্তর-২০২৪-২৫ গী হেন্দবুক পুথোকখ্রে।

হেন্দবুক অসিনা ইন্টরটেনমেন্টকী লমদা চপ চাবা দাটা ফংহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মন্ত্রালয়না হায়-লৈবাক অসিগা শেন্মীৎলোন চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মেদিয়া অমসুং ইন্টরটেনমেন্ট অসি সার্ভিস সেক্তরগী মরুওইবা মচাক অমনি।

তুংদা, তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৭৭ তগী লাকপা মীহুৎশিংনা গ্লোবেল

মেদিয়া দাইলোগতা শরুক য়াদুনা পোইন্ট ১৫ গী ওইবা ৱেবস দিক্লারেসনসু অমত্তা ওইনা অয়াবা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা চহি অসিগী খ্বাইদগী ফবা শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোক্লে।

মোহোন বগানগী সুভাসিস বোস অমসুং ইষ্ট বেঙ্গোলগী চৌমিয়া গুগুলোটতা চহি অসিগী মেন এন্দ ৱিমেন প্লেয়ার ওফ দ ইয়ার মনা পীখি।

মনিপুরগী তোইজম থোইবী সনা চনুদা মোস প্রোমেজিং ৱিমেন্স প্লেয়ার ওফ দ ইয়ার, এলাংবম পান্থোই চনুদা গোল কিপ্পর ওফ দ ইয়ার অমসুং তেকচম রঞ্জিতা দেবীদা ফিমেল রেফ্রি ওফ দ ইয়ার মনা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** এফ.সি. রেংদাইনা সাউর্থন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু অনিশুবা প্রেমিয়ার লিগকী ঙসি লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দ শান্নখিবা মেটচ অমদা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ১৯ মখাগী নুপীগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা পি.কে.আর.সি. পাৎশোইবু রন-১৪৮ দা, পি.টি.সি.সি. পাৎশোইনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংবু ৱিকেট তরেৎতা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাংলুপ্তা পি.টি.আর.সি. পাৎশোইনা এস.এস.সি. পোরোম্পাৎপু রন-১৭৪ দা, ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি লালাম্বুং মখোঙনা থাউ থাংমৈবন্দপু রন-১২৩ দা, এ.এম.সি.এ. থৌবালনা এম.পি.এ. থৌনাওজমবু রন-২৩ দা মায়থিবা পীখি।

**বেদমিন্টনঃ** মালেসিয়াদা লৈবা ন্যু ভিজন বেদমিন্টন একাডমীনা মনিপুরগী

মৈস্নাম মৈরাবা লুৰাংদা একাডমী অসিদা শরুক য়ানবা বার্ত্তন তৌরক্লে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** সমরাম এফ.সি-সমরামনা শিনদুনা সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চখরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা-লেজেন্ট এফ.সিনা সঙাইয়ুম্ফম এফ.সিব্ পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ৩ শুবা মায়পাকপী মেমোরিয়েল ফুটবোল ট্রোফি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-পারস এফ.সি. হৈরোকনা ইরেংবন্দ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা অমসুং মুখাই এফ.সি থৌবালনা তেরা এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তেন্থা মল্টিপেলস গ্রাউন্দদা চখরিবা তকৰা ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কে.কে.কে.য়ু-কৈরং অমসুং এস.দি.সি. শামুরৌ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

অপুনবা এফ.সি. শগোলবন্দ অমসুং কপ-এফ.সি. চঙমদবীসু পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

**জোরদান(এল)ঃ** জোরদানগী অমনদা পাঙথোকখিবা চহি ১৫ মখাগী এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা ভারতকী মহুৎ শিনদুনা লুপাগী তকমান লৌরকখ্রবা মনিপুরগী বোক্সর-কে.ঐচ. রুদ্রাক্স ঙসি ওকখ্রে।